# সুইসাইদ বোম্মরনা কর্দিশ কাঙলুপকী লুহোংবগী পার্টিদা এটেক চথ্খদুনা মীওই ২২ হাৎখ্রে



বৈরুট, ওক্টোবর ০৪ : লাল নংলবা সিরিয়াদা থোক্লকপা খ্বাইদগী নৌবা মীশি-মীনাগী থৌদোক ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অদুগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা কর্দিশ কাঙলুপকী লুহোংবগী পার্টি অমদা চথ্খিবা শাথিরবা সুইসাইদ বোম্মিং অমদা মীওই ২২ শিখ্রে লোয়ননা এটেক অদু আই এস আই এসনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

য়ু কেদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না, হসাকা সিটিগী মনাক্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে। লুহোংলিবা নুপা অদু এটেক অদুদা শিখি হায়না এস ও ঐচ আরগী ফাউন্দর ৱামি অব্দুল রহমন্না হায়খি।

গ্রুপ অদুনা ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, সিরিয়ন কর্দিশ ফোর্সশিংগী মখাদা লৈবা টাল টাৱিল ভিলেজদা লৈবা ৱেদ্দিং হোল মনুংদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা বোম্মিং অদু চথ্খি। সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা আই এস আই এসকা লান্থেংনবদা কর্দিশ ফোর্সশিংনা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরি। ট্বীটরগী ৱারোল অমদা আই এস আই এসনা এটেক অদু মখোয়না চথ্খিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে অমসুং ৱাফম অদু আই এস আই এসকী সপ্পোর্টরশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, হসাকাগী চিদাইদা পাঙথোকখিবা কর্দিশ ৱার্করস পার্টিগী মীটিন অমদা আই এস আই এসকী সুইসাইদ বোম্মর অমনা মেছিন গন অমা শিজিন্নদুনা এটেক তৌখি অমসুং নোংমৈ মরু লোইখ্রবা মতুংদা এটেক্কর অদুনা ‘পি কে কেগী লাই থাজদবশিংগী মরক্তা’ মহাক্কী সুইসাইদ ভেষ্ট অদু পোকখায়হনখি।

পাউ অসি সিরিয়াদা মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোক্লিঙৈ তাল্লক্তা য়ু এসনা রসিয়াগা বাইলেটরেল ৱারী শানবা লেপ্লে হায়না লাউথোকখিবা নুমিৎমক্তদা ফোঙলকখিবনি।

হন্দক্তা রসিয়া অমসুং মসিগী মীচং ওইবা সিরিয়ন রেজিমগী ফোর্সশিংনা হোস্পিটালশিং অমসুং অলেপ্পোগী অতৈ সিভিলিয়ন এরিয়াশিংদা চথ্খিবা এটেকশিং পল্লদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়াবু সিজফায়র ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীখি অমসুং মীচমশিংদা বোম থাদনবা হোৎনদুনতা লৈবা ফীভমদা হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাঙশিং মখোয়বু ঙাইদুনা লৈরিবা মীশিংদা ফংহনবা ঙমদ্রে হায়খি।

গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌজিক নোদর্ন অলেপ্পোগী অল-কিন্দি হোস্পিটালগী অকোয়বদা লৈরিবা ষ্ট্রেটেজিক এরিয়া কন্ট্রোল তৌখ্রে হায়না প্রো-রেজিমগী মিদিয়া অমসুং এক্টিভিষ্টশিংনা হায়খি।

রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা মরু ওইবা সিটি অদুগী এরিয়াশিংদা হৌখিবা চয়োলদা চথ্খিবা এটেক খরদি কুমজা ২০১১ দা লাল হৌখিঙৈদগী থোক্লকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং ওইখি।

সিরিয়ন অমসুং রসিয়ন আর্মিজনা মখোয়গী শোইদা-ঙামদনবগী গরেন্টি পীরি হায়রদুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা সিরিয়ন মিলিটরিনা রেবেলশিংদা অলেপ্পোগী লাঙ্গোই চল্লিবা এরিয়াশিং থাদোক্লবা আপিল তৌখি হায়না সিরিয়ন আমর্দ ফোর্সেসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

আই এস আই এস য়াওনা টেররিষ্টশিংনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা তং-তাদবগী ফীভমগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়গী এটেকশিং চথ্নবা হোৎনখি।

## গুলেনগা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসর ১২,৮০০ সস্পেন্দ তৌখ্রে



অঙ্কারা, ওক্টোবর ০৪ : ফেল ওইখিবা জুলাই ১৫ গী কূ অদুগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়না টর্কিনা মরাল শীরিবা য়ু এসতা বেজ তৌবা ক্লারিক ফেটুলা গুলেনগী মুভমেন্টগা মরী লৈনৈ হায়না চিংনবা পুলিস ওফিসর ১২,৮০০ সস্পেন্দ তৌরে হায়না টর্কিশ পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

টর্কিশ পুলিস হেদক্বার্টসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মসিগী ৱেবসাইটতা থাগৎখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, সস্পেন্দ তৌখিবা পুলিস ওফিসরশিংদুগী মনুংদা ২,৫২৩ দি পুলিস চীফশিংনি।

খোঙথাং অসি কূ মতুংদা লাউথোকখিবা ইস্মরজেন্সি অদু লৈবাক অদুদা কেবিনেটনা থা অহুম অমগা মখা তানা শাংদোকহনখিবা মতুং নোংমা লৈরগা লৌখৎলক্লিবনি। ইস্মরজেন্সি অসিনা গভর্ণমেন্টবু গুলেনগী মুভমেন্টদা অচৌবা ক্রেকদাউন অমা চথবগী খুদোংচাবা পী।

মিলিটরি, পুলিস, জুদিসিএরি অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিদা লৈবশিং য়াওনা মীওই লিশিং কয়া গভর্ণমেন্টগী থবকশিংদগী লৌথোকখ্রে নৎত্রগা সস্পেন্দ তৌখ্রে। ফেল ওইখিবা কূ অদুগা মরী লৈননা মীওই ৩২,০০০ ফাগৎখ্রে।

অমরোমদা ক্লারিক গুলেননদি কূ এটেম্প অদুদা মহাক য়াওখিদে হায়রি।

## পোলন্দদা এন্টি-এবোর্সন বিল প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ৱার্সো, ওক্টোবর ০৪ : নোং চুজরবসু অমসুং অঙ্গংবা নুংশিৎ শিৎচরবসু অন্না পেক্রুজকা-দ্রোদজ অমসুং অতৈ পোলিশ নুপী অমসুং নুপা ২৪,০০০ না নিংথৌকাবা নুমিৎতা থবক লেপখি অমসুং কেপিটেল ৱার্সোদা লৈবা ক্যেশল স্কৱারদা অমুবা ফিজোল শেত্তুনা চৎনখি। য়াম্লবা নুপা-নুপীশিংদু অনৌবা এন্টি-এবোর্সন বিল প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক্তা ক্যেশল স্কৱারদা পুন্নবা চঙশিন্নখিবনি।

‘এবোর্সনবু মপুং ফানা বেন তৌবা হায়বসি ঐহাক্না অমুক্তা খল্লুবা ঙমদবা, খনবদা থোক্তবা অমনি’ হায়না মশাগী চহী ৩৭ শুরবী অঙাং অনীগী মমা পেক্রুজকা-দ্রোদজনা হায়খি।

‘নুপীশিংনা এবোর্সন তৌনরিবসি মখোয়না নুপা কয়াগা অরোনবা মরী থম্নবগী অমসুং মসিনা খুদোংচাই হায়বগী নত্তে। মখোয়না অসুম্না তৌরিবসি তঙাই ফদবগীনি অমসুং খোঙথাং অসিগী ৱারেপ লৌবা হায়বসি খ্বাইদগী অৱাবগী মশক তোয়না ওই।’

ব্লেক মন্দে হায়না মমিং থোল্লদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পোলন্দগী সিটি ৯০ দা অনৌবা লেজিসলেসন অদুগী মায়োক্তা চাউনা প্রোটেষ্ট তৌনখি। ৱার্সো মেয়রগী ওফিসনা হায়খি মদুদি, পোলিশ মচা ২৪,০০ না কেপিটেলগী লম্বীশিংদা রেল্লি চৎখি অমসুং প্রপোজ তৌরিবা অথিংবশিং অদুদা মালেমগী পুক্নিং চিংশিন্নবা অমুবা ফ্লেগশিং হাইখি। ইভেন্ট অদুগী ফেসবুক পেজদা ওর্গনাইজরশিংনা লৈবাক শিন-থুংনা প্রোটেষ্ট অদুদা পার্টিসিপেন্ট ১১৬,০০০ ফাওবনা শরুক য়াখি হায়না ফোঙদোকখি।

## কুন্দুজ সিটিদা টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘান ফোর্সেসকী কাউন্টর এটেক খাঙখ্রে

কাবুল, ওক্টোবর ০৪ : অফঘানিষ্টানগী নোদর্ন সিটি কুন্দুজগী মফম কয়াদা টালিবান ফাইটরশিংনা হৌখিবা অহিং চূপ্পা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং মায়োক্লখি হায়না পুলিসকী ওফিসল অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। টালিবান মিলিটেন্টশিংনা সিটিদুগী ময়ায় চবুক য়ৌনা চঙশিন্দুনা ফীভম শেমখিবা মতুং নোংমা লৈরগা পুলিসকী মায়কৈদগী ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবনি।



নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা হৈ-শিংনা গভর্ণমেন্টকী দিফেন্স পোজিসনশিং লান্না চঙশিন্দুনা কুন্দুজ সিটিগী সেন্ট্রেল এরিয়াশিং পায়শিনখি নৎত্রগা এটেক তৌখি। চহী ১৫ গী লাল মনুংদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা মায় পাকপশিংগী মনুংদা অমা ওইনা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা সিটি অদুবু মতম খরা পায়শিন্দুনা থমখিবা মতুং চপ চানা চহী অমা লৈরগা মখোয়না নিংথৌকাবগী অঙনবদা সিটিদুগী মফম কয়াদা অমুক হন্না পোজিসন লৌদুনা লৈখিবনি।

কুন্দুজদা এটেক তৌবা অমসুং টালিবান্না হেলমন্দ অমসুং য়ুরুজগনদা প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেলশিং টার্গেট তৌদুনা মফম কয়া পায়শিনবা ঙমখিবসিনা লালহৌবশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎলক্লি হায়বদু উৎপগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টগী অশোনবশিংসু উখোকই।

পনবা য়াবদি, কাবুলগী রেজিমনা চয়োল অসিদা ব্রসেলজদা ইন্টরনেসনেল দোনরশিংগা উনদুনা অহেনবা তেংবাঙ ওইনা দোল্লর বিলিয়ন কয়া লৌননবা হোৎনরিবনি।

য়ু এসকী স্পেসল ফোর্সেসকী বেকিং অমসুং এয়র সপ্পোর্ট অমসুং মখোয়গী ওইবা ৱারপ্লেনশিংগা লোয়ননা অফঘান লান্মীশিং অমসুং পুলিসনা অহিং-চূপ্পা সিটি অদুদগী টালিবান ফাইটরশিং তকথোক্লবা হোৎনখি হায়না কুন্দুজ পুলিসকী চীফ কশিম জনগলবাঘনা হায়খি।

কুমজা ২০০১ দা পৱারদগী চিংথুখিবা মতুংসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুদা ইস্লামিক লো নৌনা চৎনহন্নবা হোৎনরকখি তৌইগুম্বসুং অফঘান ফোর্সশিংনা প্রোগ্রেস লৈনা থবক তৌবা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

‘ঐখোয়দা রিইনফোর্সমেন্টশিং থারকখি অমসুং ঐখোয় নোংথক্কী সপ্পোর্টসু ফংখি’ হায়না জনগলবাঘনা হায়খি। ‘হৌজিক ফাওবদা য়েক্লবা ২৫ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং ঐখোয়না মফম কয়া নৌহৌননা লৌশিনল্লে। ঐখোয়না সিটি অসিদগী পামদবা এলিমেন্টশিং তকথোক্লবগী পান্দম থল্লি।’

হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্ট সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মেম্বর অহুম শিখ্রে, অতোপ্পা নিপান্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না জনগলবাঘনা ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবা অহিংদা কাবুলদা য়ু এস মিলিটরি কম্যান্দনা হায়খি মদুদি, টালিবানগী রেইদ অদুগী মায়োক্তা হৌজিক ফাওবা কুন্দুজদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবা লৈত্রি। পেন্টাগন্না টালিবানগী এটেক অদুবু ‘ৱেষ্টর্ন-মুভি-ষ্টাইলগী সুট-দেম-অপ রেইদনি হায়না ফোঙদোকখি।

তঙাই ফদ্রবদি সপ্পোর্ট পীননব-গীদমক্তা অমেরিকান স্পেসল ফোর্সশিং লোয়ননা প্লেনশিং সিটিদুগী মনাক্তা পোজিসন লৌদুনা লৈখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

## ভিয়েটনাম লালগী প্রোপেগন্দা ব্রোদকাষ্টর ‘হানোই হান্নাহ’ লৈখিদ্রে

হানোই, ওক্টোবর ০৪ : ভিয়েটনাম লাল মনুংদা অমেরিকান জি আইশিংবু মহাক্কী লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিনবা তকশিনখিবগীদমক্তা মমিং চৎখিবী খোঞ্জেল থোৎনা-মেংবী কম্যুনিষ্ট প্রোপেগন্দা ব্রোদকাষ্টর ‘হানোই হান্নাহ’ মশাগী চহী ৮৭ শুবদা লৈখিদ্রে হায়না মরূপ-মপাংশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



থাঙ্গেশেংবা মিংনা ‘ত্রিন থি ঙো’ কৌবী রেদিও প্রজেন্টর অদু কম্যুনিষ্ট রেজিমনা লৈবাক অদুবু কনফ্লিক্ট মনুংদুদা এন্টি-য়ু এস ওইবা ৱাঙাঙ-ৱাতা কয়ানা থুঙ্খৎনবা শিজিন্নখিবা ভিয়েটনামিজ জর্নেলিষ্ট দজন কয়াগী মনুংদা অমা ওইরম্মী। কনফ্লিক্ট অদু কুমজা ১৯৭৫ দা সাইগোন্না তুখিবা অমসুং অমেরিকানা মায়থীখিবগা লোয়ননা লোইশিনখি। ‘জি আই শিং নখোয়গী গভর্ণমেন্টনা নখোয়বু থাদোক্লবনি। মখোয়না নখোয়বু শিনবা য়াথং পীখ্রবনি’ হায়না লাল মনুংদা মহাক্না ইংলিশতা তৌখিবা ওন-এয়র অপিলশিংগী মনুংদা অমদা হানোই হানাহনা হায়খি।

‘মখোয়দা থাজবা থমগনু। মখোয়না নখোয়দা মীনল্লবনি, জি আইশিং, লাল অসি নখোয়না ঙল্লোই হায়বসি নখোয় নশা নশানা খঙজরবনি।’

নোদর্ন কেপিটেল হানোইদগী ষ্টেটনা রন তৌবা ভোইস ওফ ভিয়েটনাম (জি ও ভি) দা নুংতিগী ওইনা শন্দোকখিবা ব্রোদকাষ্টশিংদা হান্নাহনা লানফমদা শিখিবা অমেরিকান ক্রুপশিংগী লিষ্ট অমা লাউথোকখি, এন্টি-ৱার প্রোটেষ্টশিংগী মরমদা ইবা য়ু এসকী পাউচেশিংগী আর্টিকলশিং পাথোকখি অমসুং অতাবশিংবু জোন বাইজ অমসুং বোব দাইলনগী ঈশৈশিংগা লোয়ননা পুক্নিং ঈংথহনখি।

ব্রোদকাষ্টশিং অদুদা মহাক্না কৈদৌঙৈদসু ভিয়েটনামিজশিংগী মায়থীবশিং নৎত্রগা অমেরিকানশিংনা মায় পাকপশিং পনখিদে। অসিগুম্বা মখলগী পাউশিং কম্যুনিষ্ট ওথোরিটিশিংনা চেকশিন্না কন্ট্রোল তৌরম্মী।

ভোইস ওফ ভিয়েটনামগী মতুং ইন্না হান্নাহ ইরাই নুমিৎতা হো চি মিন সিটিদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা লৈখিদবনি।

ভিয়েটনাম লাল অদু চহী নিফু হেনবগী মমাঙদা কম্যুনিষ্টশিংগী মখুৎতা সাউদর্ন কেপিটেল সাইগোন তুখিবগা লোয়ননা লোইশিনখিবনি।

## ‘পাকিষ্টান্না ৱার ক্রাইমগী ত্রাইএল প্রোটেষ্ট তৌবদগী বাংলাদেশনা সার্ক সম্মিটতা য়াওদনবা ৱারেপ লৌখিবনি’



ধাকা, ওক্টোবর ০৪ : পাকিষ্টানবু ‘মায়থীবা নংখিবা ফোর্স’ অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনানা নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, হন্দক্তা কুমজা ১৯৭১ গী ৱার ক্রাইমশিংগী কনভিক্ট অমা হাৎপদা ইস্লামাবাদনা প্রোটেষ্ট তৌখিবগীদমক্তা সার্ক সম্মিটতগী তোকখিবনি।

‘পাকিষ্টান অসি মায়থীরবা ফোর্স অমনি। ঐখোয়না মখোয়বু কুমজা ১৯৭১ গী নিংতম লালদা মায়থীবা পীখ্রে। মায়থীবা নংলবা ফোর্স অমা ওইনা মখোয়না ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা য়াই, তৌইগুম্বসুং মদুদা ঐখোয়না করিমত্তা নাচুংনিঙাই ওইদে। পাকিষ্টান্না ফোঙদোক্লিবসিদি করিমত্তা নত্তে তৌইগুম্বসুং মায়থীরবা পার্টি অমনা য়ানিংদবা উৎপগী থৌওংনি। বাংলাদেশনা মখোয়গী থৌওংদু অসুম্না খন্নগনি হায়না শৈইখ হসিনানা হায়খি।

হন্দক্তা কুমজা ১৯৭১ গী ৱার ক্রাইমসকী কনভিক্ট অমা হাৎপদা পাকিষ্টান্না প্রোটেষ্ট তৌখিবগীদমক্তা বাংলাদেশনা ইস্লামাবাদতা পাঙথোক্কদবা ১৯লকশুবা সার্ক সম্মিটতা য়াওদনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না হসিনানা ধাকাদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। ন্যু য়োর্কতা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়ারুরগা হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্না ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

‘দিপ্লোমেটিক মরী মখা তানা লৈনখিগনি। ঐখোয়না মখোয়বু পাকিষ্টানবু দিপ্লোমেটিকেল্লি থেংনগনি’ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি। মহাক্না বাংলাদেসিশিংদা মীওইবা কাঙলুপকী মায়োক্তা কুমজা ১৯৭১ গী নিংতম লালদা পাকিষ্টানি ক্রুপশিংগা খুৎশম্নরগা জিনোসাইদশিং চথ্খিবা ৱার ক্রাইম তৌবশিংগা লৈনবা মরীগী মরমদা ৱাখল তৌনবা আপিল তৌখি। ৱাফম অসি মহাক্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খালেদা জিয়ানা লুচিংবা মরু ওইবা ওপোজিসন বাংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) দা নাকোয়ননা রিফরেন্স পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

‘বি এন পিগী ফাউন্দর জেনরেল জিয়াউর রহমননা মখোয়বু (ৱার ক্রিমিনেলশিংবু) কুমজা ১৯৭৫ গী মতুংদা খুন্দা লৈতাহনখি। মহাক্না (খালেদা জিয়ানা-হৌজিক্তি হাৎতোকখ্রবা) ৱার ক্রিমিনেলশিংবু মহাক্কী কেবিনেটতা মিনিষ্টরশিং ওইহনখি’ হায়না হসিনানা হায়খি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎলক্লিবসিগী মতাংদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী ফীরেপ করিনো হায়না হংবদা হসিনানা ‘ফীভম অসি ঐখোয়না লুনা লৌই’ হায়খি।

‘ঐখোয়না টেন্সন লানগী ফীভম অমত্তা পামদে, লাল শোক্লবা তারবদি ঐখোয়সু শোক্কনি অমসুং লমদম অসিগী চাউখৎ-থৌরাং অপুম্বা অপনবা ওইগনি। লৈবাক অনীনা দাইলোগকী খুথাংদা মখোয়গী ইস্যুশিং লৈখায় তানগনি হায়না ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা থাজে’ হায়না হসিনানা মখা তাখি।


HL-B/3329/20/09-19/10

## URGENTLY REQUIREMENT

| Sl. No. | Post Name | No. of Post | Educational Qualification | Experience |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Pharmacist Sales Man | 5 | X-Passed/XII-Passed | Minimum experience 6 months/One year |
| 2 | Medical Representatives | 6 | X-Passed/XII-Passed | Minimum 2/3 years experience in Medical Representative |

HL-P/9970/4&5

**SHRI KRISHNA HEALTH CARE SERVICE**
Rims Road, Near MM Gas Service, Imphal West District - 795001
Manipur ☎ 9856377484





# EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment 2016 – Engineering Services Examination 2017 (440 Vacancies) – Last Date 26 October

**UPSC Recruitment 2016**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Engineering Services Examination 2017 for 440 Vacancies. Apply Online before 26 October 2016.

Advt. No. : 01/2017-ENGG.
**Job Details :**
Post Name : Engineering Services Examination 2017
No of Vacancy : 440 Posts
**Services/ Posts under the following categories :**
Civil Engineering
Mechanical Engineering
Electrical Engineering
Electronics & Telecommunication Engineering
**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate must have a degree in Engineering from a University OR passed Sections A and B of the Institution Examinations of the Institution of Engineers (India).
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 30 years As on 01.07.2017
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.
**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 26.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 26.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/ESE_2017_English_Notice.pdf
Apply Online : https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

### RSMSSB Recruitment – 562 Librarian Vacancies – Last Date 27 October 2016

Rajasthan Subordinate & Ministerial Services Selection Board (RSMSSB), Jaipur invites application for the post of 562 Librarian. Apply Online before 27 October 2016.
**Job Details :**
Post Name : Librarian
No. of Vacancy : 562 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.3600/-
**Eligibility Criteria for RSMSSB Recruitment :**
Educational Qualification : Passed Secondary School with certificate in library science.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 Years as on 01.01.2017
**Age Relaxation :**
For SC/ ST/ OBC/ Special BC & General Female candidates : 5 years
For all Reserved categories Female candidates : 10 years
**Job Location : Rajasthan**
**Selection Process :** Selection will be made on through Merit List.
**Application Fee:** Candidates belongs to General & BC (Creamy layer)/ Special BC category have to pay Rs.650/- and Rs.450/- for Non Creamy layer BC & Special BC candidates of Rajasthan and Rs.350/- for SC/ ST candidates of Rajasthan. Fee can be paid through e-Mitra/ CSC or Net Banking/ ATM cum Debit Card or Credit Card.
**How to Apply RSMSSB Vacancy :** Candidates are required to apply online through website rsmssb.rajasthan.gov.in from 27.09.2016 to 27.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 27.09.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 27.10.2016
Last Date for Payment of Fee : 27.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://recruitment.rajasthan.gov.in/recruitment/downloadservlet?docId=309&rectId=330
Apply Online : http://recruitment.rajasthan.gov.in/recruitment/downloadservlet?docId=317&rectId=330

### RSMSSB Recruitment – 1896 Lab Assistant Vacancy – Last Date 27 October 2016

Rajasthan Subordinate & Ministerial Services Selection Board (RSMSSB), Jaipur invites application for the post of 1896 Lab Assistant. Apply Online before 27 October 2016.
**Job Details :**
Post Name : Lab Assistant
No. of Vacancy : 1896 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-
**Eligibility Criteria for RSMSSB Recruitment :**
Educational Qualification : Passed Higher Secondary School or Senior Secondary School with Science subject or equivalent from recognized by government.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 Years as on 01.01.2017
**Age Relaxation :**
For SC/ ST/ OBC/ Special BC & General Female candidates : 5 years
For all Reserved categories Female candidates : 10 years
**Job Location : Rajasthan**
**Selection Process :** Selection will be made on through Merit List.
**Application Fee:** Candidates belongs to General & BC (Creamy layer)/ Special BC category have to pay Rs.650/- and Rs.450/- for Non Creamy layer BC & Special BC candidates of Rajasthan and Rs.350/- for SC/ ST candidates of Rajasthan. Fee can be paid through e-Mitra/ CSC or Net Banking/ ATM cum Debit Card or Credit Card.
**How to Apply RSMSSB Vacancy :** Candidates are required to apply online through website rsmssb.rajasthan.gov.in from 27.09.2016 to 27.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 27.09.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 27.10.2016
Last Date for Payment of Fee : 27.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://recruitment.rajasthan.gov.in/recruitment/downloadservlet?docId=313&rectId=329
**Apply Online :** http://recruitment.rajasthan.gov.in/recruitment/candidatessologinservlet